ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ২১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৭৬শুবা মশীং

# লম্বীদা লৌ লীংবা

## ষণনা উরোকথোং লানবা লৈরিবোইরে

ষণনা উরোকথোং লানবা উরবসু উদে হায়য়ু হায়বা ৱাফমসি মণিপুরী খুন্নাইদা মীরোল কয়াদগী চিন্দোন-লৈতোনদা পল্লকপা ৱাফমনি। ৱাহে পরেং অসিনা হায়রিবনা ওইথোক্লরোইদবা থবক অমা ওইথোক্তুনা থোক্লম্বা তারবসু ওইথোকপা য়াদবা থবকনিনা উদে, তৌদে অমসুং ওইথোক্তে হায়য়ু হায়বনি। ইশম শম্বদা ওইথোক্লোই হায়বনি। মসি ওইরগদি মীয়াম চৎননবগীদমক 'লম' অমবু 'পিবা' হায়বা ৱাহে অনীসি পুনশিল্লগা লমপী (লম + পি) হায়নরম্বদগী খরা-খরা থৈথরক্তুনা লমপিদগী 'লম্বী' তারক্লবা মফমসিদবু লৌ লীংলে হায়রিবা থৌদোকসিবু থোকহনগদবা অমসুং থোরকহনফম থোকপা থবক্লা হায়বনি। লৌদি লৌবুক্তা লীংগদবনি। অদুবু, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকীসু মনুং চল্লিবা অদুগা ইম্ফালদগীসু শুপ্নতগী কিলোমিটর ৩০ রোমদমক লাপ্পনা লৈরিবা ময়াং-ইম্ফাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী সেকমাইজিন্দগীনা খোর্দাক ফাওবগী লম্বীগী শরুক্তা সেপ্টেম্বর ১৯গী অয়ুক্তা মফমদুগী নুপীশিংনা থোরক্তুনা লৌ লীংখিবা থৌদোক্তুবু মফমদুবু 'অছে দিন' না কোনশিনহৌবা ঙমদবগীরা? 'গো টু ভিলেজ' গী মখাদসু খোঙ্গুল তারুদবদগীরা? দেপ্যুটি স্পিকরসু ওইরিবা ময়াং-ইম্ফাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী শরুক থুংবিদ্রবরা? নৎত্রগনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) গী ও দি আর/আই ভি আরশিং শেমজিন-শাজিন্নবগী ৱার্ক প্রোগ্রাম্নসু নাথৈদুনা থম্বীরম্লব্রা? প্রাইম মিনিষ্টর গ্রামিন শড়ক যোজনা (পি এম জি এস ৱাই) গা হায়বা লৈবাকসিগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অসি ময়াং-ইম্ফালদা য়ৌশিনবা য়াদব্রা?

ৱাহংশিং অসি হৌজিক সেকমাইজিনদগীনা খোর্দাক ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বীসিগী ময়ায়দা লৌ লীংখৎনরকপা অসিদগী হংদবা য়ারক্তবনি। হৌজিক লম্বীসিগী ওইরিবা ফীভমসি ঙসি-ঙরাং খক্তদগী ওইরকপা নত্তে। চহী কয়াগী মমাঙদগী ওইরক্লবনি। মমাঙগী ১০শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীহুৎসু মতম শাংনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর ওইরমখিবনি। মসি হায় হায়দুনা এ সী অসিগী মীহুৎনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর ওইরে হায়দুনা ৱার্ক্সকী ফন্দ পূম্নমক ময়াং-ইম্ফালদা লোইনা হৈথরো হায়বা নত্তে। তৌবতবু লৌ লীংবা য়ানবা ফীভমদা ফাওবদি থম্লমদবা চুম্মী হায়বনি। হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদসু সেকমাইজিনদগীনা খোর্দাক ফাওবগী লম্বীসিগী মপূং ওইনা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সী) অমা ফাওবা শেমদুনা লম্বীসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টতা শেম্বীনবা তকশিনবা লৈখ্রবনি। অদুবু মতম মতমদুগী মীহুৎশিংদুনা অঙাওবা তেখাও শামুবু শাই তিঙ্খংগা কোক্কল মনাগা পায়রগা ফাখিবদৌনা ফানয়াই-পুন্নয়াইগী পাম্বে শীজিন্নখিবদগীরা করিনো হোইনি-মাইনি হায়রকখিদবা, মনা-মনিল নাইরকখিদবা কুইরে। অদুবু জে এ সীনা তূমিন্না লৈশিনখ্রে নৎত্রগা মচোই তানা কিন্থখ্রে হায়দুনা মীয়াম্না চৎনগদবা লম্বীবু লৌবুক ওইহল্লকপদি চুম্ব্রা? মসিবু চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবা হোৎনসি হায়রিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ফৌগী চাথোক হেন্না পুথোরক্লবগী থৌওইনা শিল্লিব্রা? নৎত্রগা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা লম্বীসিগী পরিংদা লৈবা মীওই অমসু মীরেপ ওইনবগীদমক ভোট খোম্বা হৌগৎলকপদগী থৌওইনা শেমজিন শাজিন্দ্রিবরা? ৱাহং ময়ামসিগী পাউখুম কনানা খুমগনি। পাউখুমশিং অসিসু খুম্মকউ অদুগা লম্বীসিসু অথুবা মতমদা শেমজিল্লু। সেকমাইজিনদগী খোর্দাক ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বীসিগা হকথেংনরিবা মীয়াম্না পাল্লিবসি চিনগী পাউখুম নত্তে, অৱাই অখুম তৌনবসু নত্তে। পোলিটিকেলগী অখুবা মিৎয়েংদা শয়েং পাম্বোম ঙানবসু নত্তে। নোংজ থাদা লৌবুক ওল্লোইদবা, ঈকং থাদনা মরুভুমিদৌনা উফুলনা পীক থল্লোইদবা অমসুং চৎথোক-চৎশিন্দা খোঙহৌ পলহৌরোইদবা লম্বী অমা ওইহনবদুনি। মসিগীদমক করি তৌবা য়াবগে হায়বদু মরী লৈনবশিংনা খন্নরগা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎহৌবা চুমগনি। চুম্নতা লৌ লীংলকপদি লৌরিদা নৎত্রবসু লৌরক্তা ফাউদুনা চৎপা য়ানি। পুখ্রি ওইনা তৌথোকখ্রবদি ঙাবুদি চানি হায়ববু ঈরোইরগা লান্থোক-লানশিন তৌনগদবনা হেন্না খুদোংচারক্লোই। ফীভমদু তারক্ত্রিঙৈদা শেমজিলহৌবনা চুমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১) ***''তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোন্নমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।''*** শৈরেং অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) ***''শৈরেংগী খুঙ্গং''*** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

৩) ***''বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস'*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি ***''পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক''*** হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো?

৫) ***''খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।''*** ৱাহে পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৩৬

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মতম খরগী মতুংদা মৈতিংঙুনা খুমন কৈরুংহনবীগা লোয়ননা ফম্বাল তোংমিন্নবগী পাউ তাবদা থৌদুনুং হাপ্তুনা পুরকপা শম অদু মালেম নৈদা থারগা লৈমায়দা হৈদোক্তুনা লৈরাং অতিংঙা ওইরেদো হায়না থম্মোয় শোক্লা কপখি। ৱাখল ফুংবংননা অসুম লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপনা মৈতিংঙু নাউথিংখোং অমদি মৈতৈ লৈমরেনবী কৈরুংহনবীগা য়েৎ-ওই ফমদুনা লৈরম্বদু উবদা তৌফম খঙদ্রবী নোংমাই পিতংঙানা শংত্রিক মুন্না মৈতিংঙুবু য়েংদুনা লৈরম্বদু উরকপদা মমাঙগী হৌখিবা ৱারী খংনীং নীংশিংলকখি। "ইশাবী নুংশিবী পলেম ইমা শক্লা নাউয়োকপী ৱাখল পূক্লিং চেৎপী ইবেম্মা নহাক্তি পলেম ওইবী তালোইনি। নোংমাই পিতংঙানা মৈতিংঙু নাউথিংখোংগী ইমা হায়বা য়াৱাহৈবু তাবদা পনখৈ লৈতনা ৱাবা ৱাখলনা হেনমনখিবদগী শঙ্গাই য়ূমজাওগী লপয়ান কাদা নোংমাই পিতংঙা ৱান্থদুনা শিরম্মী। নোংমাই পিতংঙানা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা মতমদুদগী হৌদুনা লমতাগী ২৮নি পানবা নুমিত্তা মৈতিংঙু নাউথিংখোংনা মশানৌ পিতংঙাগী লমন শিংবা শক্তুনা মশানৌগী হৌরকফম চীঙ্গোই ঈ তুরেল মরিন্দা কুমজা খুদিংগী চীঙ্গোই ঈরুপ্পা হায়দুনা নুমিৎসিদা হে-লৈ কৎনা লৈবাক মীয়াম্না ঈরুপ্নবা লেপ্পা লৈতনা চৎনরি।" হন্দক্তি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা সনা কোনুংগী অঙম অথৌগা লোয়ননা মফমদুদা চৎলগা পান্থোইবী ইমাগী মফমদসু হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীরুবসিনা লমদমসিগী খুন্নাইচাশিংদা কাউথোক্লুরবা পুৱারীগী থৌরমশিং মথং মথং লেপ্তুনা পাঙথোক্লগনি হায়বগী থাজবা অমা পোকহল্লি।

অদুগা কংলাদনা শেল্লোই লংমাই চনু পিতংঙানা মোংবা য়ূমজাও লপয়ান কাদা ৱান্থদুনা নোঙ্গাখিবসি য়ূমজাও লাইরেম্বীগী মপোক লাংওননি হায়না লৌদুনা মৈতিংঙু নাউথিংখাংনা মশাবীগীদমক য়ূমজাও লাইরেম্বীগী খুভম শেমদুনা ঈরাৎ থৌনি হৌখিবদগী হৌজিক হৌজিক তৌরি। লৈবাকসিগী কষ্টমগী মকোক্তি পিবারেন ওইবিরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ওইবিবনা শিথরুরবা ঈনাৎকী লাইফমলেনশিং অমদি মতম মতমগী ওইবা থৌনি থৌরমশিং ইনিংথৌনা লুচিংলগা পাঙথোকহঞ্জনীংই।

iii) মৈতিংঙু পাইখোম্বা (খৃ: ১৬৬৬-৯৭) সি লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী মচাইবুংঙো অতোনবা নোংপোক খোংফেন থৌবা তোনাবনা নাউশম চনু পিথেৎ লৈমা তাংজাখাম্বী পান্নদুনা পোকপা মচাইবুংঙো য়াইমনি। মারাম থোল্লাংদা লোইপোৎ থৌবা চৎপদা মৈতিংঙু পাইখোম্বগী ময়াম্বুং সনা হিহোনবা য়াইস্কুল লাকপা অমসুং মনাও ইবুংঙো তাফাববু য়াম্না মীহাৎ থীনা হাৎলগা লুরেন কক্তুনা মারাম খুল্লাকপগী লুখা থানবা পুখিবগী ৱাহৌসি নুমিৎ খুদিংগী কাউবা ঙমখিদে। মৈতিংঙু পাইখোম্বনা মারাম খুল্লাকপগী ময়ূমদা চৎতুনা লমন খুম্নবা অমসুং লুরেন লৌরুনবা ৱাখলদগী মৈতিংঙু পাইখোম্বনা ময়াম্বুং শামৈরাং শামুহঞ্জবা, মনাও ইবুংঙো তাংখোম্বা লানচিং পুরেল অনীগী মফমদা মনাও ইবুংঙো মথং খনবা তোনশেনঙম্বগা মতম খরা লৈবাক ঙাকহৌনবা শিন্নরম্লগা কদায়দা চৎকদোইনো হায়বা কনা খঙহন্দনা অহিংদা লোৎনা সনা কোনুং থাদোক্তুনা মারাম খুল্লাকপগী ময়ূম তান্না চৎলম্মী। মৈতিংঙু পাইখোম্বনা চীংমীগী ফিজোল শেৎতুনা চংলগা খুল্লাকপগী মফমদা মতম খরদং শিন্থাংদুনা লৈজগে, ইপানা পাম য়াল্লু হায়রবসু য়ানজ গে, পামলৌ উ হায়রবসু উজগে হায়রবদা মারাম খুল্লাকপনা মচানুপা পোক্তবনা মৈতিংঙু পাইখোম্বগী মশক উবদা অমদি নুংশিবা মৱা মপাউ তাবদা নুংশিবদগী মাগী ময়ূমদা লৈহনলম্মী। মতম খরা খুল্লাকপগীদা শিন্থাংবা শাদুনা লৈরকপদা মারাম খুল্লাকপগী মমোম মশক মতৌ চঙখোনবী ইঙাল্লেগা নুংশিনরক্তুনা অচেৎপা মরী লৈবা হৌরক্লম্মী। নোংমগী নুমিৎ অমদা মৈতিংঙু পাইখোম্বনা ইঙাল্লেদা নহাক কনাদসু তাকথোক্লোই ৱাশকউ হায়না ৱাশকহল্লবা মতুংদা মহাকসি (মৈতিংঙু পাইখোম্বা) চীংমী হাওপাখং নত্তে, মৈতৈ নিংথৌ পাইখোম্বনি হায়না মশক তাক্লম্মী। লাকপগী মরমদি মৈতৈ নিংথৌ মচা অনীগী মকোক নপা খুল্লাকপনা লুখা থানবা থল্লি হায়বদু মশক খঙলবদি তাকউ, মদু পুরগা নহাকসু সনা কোনুংদা পূন্না চৎলগা নহাকপু লৈমরেন হাপকনি। ইঙাল্লেনা মৈতিংঙুবু নুংশিবদগী মৈতিংঙুনা হায়বদু য়াদুনা ময়াম্বুং সনা হিহোনবা অমসুং মনাও ইবুংঙো তাফাবগী লুরেন অনীদু মশক তাকপগা লোয়ননা পুরক্তুনা মারাম খুল্লাকপা খঙহন্দনা ইঙাল্লেগা লোয়ননা সনা কোনুংদা চেল্লক্লম্মী। মৈতিংঙু পাইখোম্বনা ইঙাল্লেদা ৱাশকখিবগী মতুংইন্না লৈবাক্কী লৈমরেন হাপ্তুনা ফম্বাল তোংনবা থৌরাংলকপদা লৈবাক্কী অঙম অথৌশিং অমদি মায়চৌশিংনা মরম পীদুনা য়ারমদে। লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংনা লোৎনা খুচিন থৌরাং তৌদুনা ইঙাল্লেবু সনা কোনুংদগী তান্থোকখ্রবা মতুংদা য়াম্না নীংবা কায়না নুংঙাইতনা লাঙ্গোল চীংদা থুপখিবদগী মতমদুদগী হৌনা হৌজিক হৌজিক লাঙ্গোলদা তরুং লাইরেম্বী ওইনা খুভম য়াদুনা লাৎলি। অরিবা মতমদগী হৌনা লমদমসিগী পুৱারী শাগোন্নদুনা লৈরক্লবা চীংশিংদা অমদি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌজিক ফাওবা মুৎনাইদনা লৈরিবা লাইফমলেনশিং য়োকখৎপগী, ঙাক শেন্দুনা থম্বগী মথৌ য়াম্না তারক্লি।

- "মাঙখ্রবমাল্লে খল্লুবা ঈনাৎকী পুয়া লাইরিকশিং মসা খপনা পাইথোক্লরকপনা হৌজিক্কী য়ূমথোঙ অয়াম্বদা পুয়াগী পুক্কে লৈনরক্লে। খরা লৈরবদি পুক্কে চোল্লগনি।

মতমগী খোঙলৈ তাকপা পুয়াগী শোয়ফদবা পাউজেলনি।

চন্দ্রকৃত্তি মহারাজনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিঙৈগী মতম খৃ: ১৮৭১ অদুৱাইদগী পোল্লগা মীরম লাইনীংগীদা মথৱায় লুপশিল্লগা মপান লম খরদসু চৎলগা লাইরিক তম্লুরবা মতুং ইরমদমসিদা হল্লক্লগা মতমদুগী য়াম্না খঙ-হৈরবা ওইরগা মীরম্না পীবা মিংথোল ফংখিবসু য়াওবা, খুরক্কী ঈনা লাই শাখিবশিংনসু ঙসি ঙসিমক্কী চয়েৎনরবা লাইনীংনা ঈনাৎ অশেংবা মশক তাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা খুরৌ থাংহল্লি হায়বসি লোইনা খঙনরিবা থৌওংনি।

হৌখ্রবা পুৱারীশিংদগী ময়েক শেংনা খঙলবা ৱাফম অমদি মীরমচাশিং/মীতোপশিংনা মখোয় মশাগী ওইবা কান্নবা ফংনবগীদমক তৌদবা য়াদবদগী অরোনবা ৱাখল্লোন অমদা হান্না খুদুম চনশিন্নবা হোৎনবসিনি। মসিগীদমক ইরমদমসিদা চহী মতম খরা শাংনা লৈশিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী চাওখৎ থৌরাং খরা পায়খৎপগী মিংদা লমগী মমিং অনৌবা অমা থোনজিনবা/ওন্থোকপা অসিনি। করিগীদমক্তনো হায়বদা মখোয়না পাঙথোক্লিংলিবা থবক্কী পান্দমদু মখোয়গী মনুং চনবা লৈঙাক্লোন/চৎনবীগীদা পুশিনবা য়ানবনি। খুদম, বৃটিশনা য়াম্না হৈ-শিংনা লমহুই লৌশিং শীজিন্নরগা হায়বদি ফম্বালগী মতিক-ময়াই পাম্বদগী পূকচেল মান্নদবা নিংথৌ মচাশিংগী থৌওংনা মীখূৎ চঙশিল্লক্লবা চেবাও পীরুবদগী অচেঙবা তাঞ্জাদা খুদোংচাবা লৌদুনা ইরমদমসি নল্লৌ লৌশিল্লবা মতুংদনা অমুক হিংবগী পুন্সি মহিং খেন্নবা, চাকচা-য়ুথক মান্নদবগী চীং-তম খায়দোক্লবা সদর হিলস হায়দনা ইনৌ নৌবা মমিং অমা থোঞ্জিল্লগা চীং-তম খৎনহল্লগা য়োংনা তল য়েনবগী থৌওং চখুরম্বদগী অমুক বৃটিশশিংনা ইকোন কোন্না লৌশিনবা ইরমদমসি হান্না থাদোক্লম্লগা মরমদমদা হনখ্রবা মতুংদনা চীংলোন্না পল্লোন ওইনা শম্বল খাদুনা লৈরম্বা ইরমদম অমুক অনীশুবা মরৌ চাওবা ইন্দিয়াগী খুবামনুংদা চনখিবনি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা হৌজিক ফাওবা হায়নরিবসিনি। লোইলম ওইনা থম্লম্বা ঐখোয়গী ইরমদমসিদগী লোইলম মপু ওইবা মখোয়না মখল-মথেলগী খুদোংচাবা কয়া ফংনবগীদমক/ফংবগীদমক অদুক খরা শেমগৎ-শাগৎপা হায়বসিদি হৌনশানি। হৌজিক ইরমদমদা তৌরিবসি হান্না অদুঙৈ বৃটিশনা শুপ্না সব-কন্টিনেন্টসি পায়শিল্লিঙৈ মতমদা শীজিন্নরম্বা/তৌরম্বা থৌওংশিংদু মতৌ তমহৌবা ঙাক্তনি হায়নরিবসিনি। খুদম, বৃটিশকী মতমদনা সদর হিলস হায়না তৌরম্বদুগী মহুত্তনা মণিপুর কোন্না কৌরবা ইরমদমসিগী চীং-তম অনীদনা মান্নদবা লেন্দ লো এন্দ লেন্দ রিফোর্মস লৈহন্দুনা চীং-তম নাকপাক তাহন্নবা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট ১৯৬০ হায়দুনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌশিল্লগা ফোঙনা অরোনবা থৌশিল থৌরাং চখুরিবসিনি। ●

# ইপা-ইপু নীংশিং হৈশোয় কৎনথা লাংবন : লুচিংবা হিজম ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক্কা শাগোন্নখিবা থা

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

***''হে লাইও লাইনিংথৌ!/তেংবানবগী পন্থৌ!/লৈরাংনা কেনখ্রবসু,/মরূদি মাঙহনবীগনু,/হুনবিয়ু তাইবঙ লৌবুক্তা।/নঙগী শিন্থাদা ৱাৎলম্বা,/শিন্থা মখাক লৈহৌবা/পীনবীয়ু মতোল লোম্নবা''।*** (শৈদম শৈরেং) নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শিরগদবা লৈরবা মীওই মপোক অসিদা লাইপোক ওইবা কয়ানা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোকপীরম্মী। মপূং ফাহৌদ্রবা থবক থৌরম কয়াবু তুংদা লাকপা মীরোনশিংনা মখোয়গী খোঙ্গুল লীক্লম তুংইন্না মপূং ফাহন্নীংবগী ৱাংলবা ফিদম্না মপূং ওইবা লুচিংবা হিজম ইরাবতকী শৈথা মতেক অমনি। মীওই খুন্নাইগীদমক, মণিপুরগীদমক, মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দাখ্রবা ইরৈচাশিং অমদি তুহৎ-নৈহৎপীরবা শোথরবা কাঙলূপকীদমক পুন্সি লোমদ্রিফাওবা নীংহন্নবা লৈতনা লান্থেংনরম্বা মাবু ইকায়খুম্নদবা, নীংশিংদবা কনাবু য়াওরিগবা! অদুবু মহাক্লা মঙজরম্বা মঙলান মঙফাওনহনগে হায়না থম্মোয় শেংনা লেপ্লিবা মীশক লৈরিব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং ওইরি। চুমদবা লৈঙাক চৎন-পথাপ, শুরি-নোল্লিবা মীচম হিংগনু হায়বা শেন্মীৎলোন, তমথীরবা খুন্নাইগী চৎনরোল, লাইনীং-লাইচৎকী মিংদা মীনা মীবু ওৎপা পূম্নমক অসি মরূ ফংনা মুখৎনবা ঈহৌ শাগৎখি। নাট-কলচর, লোল অমসুং খোরিরোল, দ্রামা, ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবা, জর্নেলিজমগী হীরমদসু লময়ানবা ওইখিবা মীশকনি। শমজিল্লবদা মহাক্লা য়ৌরমদবা , থেংলমদবা মফম য়াওদে। লমদম অসিগী নুপীশিংদা থৌনা হাপ্পীখিবসু মহাক্লি। লৌমী-শিন্মীশিংবু য়াকাইহনখিবা লুচিংবনি।

লাংবনথা অমরোমদা অৱাথা ওইরম্মী। ফৌগৈগী ফৌনা লোইশিল্লকপা, পোইনু লৌরোক পান্থাসু লাক্ত্রিঙৈ পান, চুজাক, মাইরেন, উতি, চগেম্না চাক্কী মহুৎ শিনবা মতমনি। মণিপুরগী পুৱারীদা মুৎনাইদ্রবা ময়েক্লা ইদুনা লৈরিবা চাকলাম খোঙচৎকী হৌরকফম থৌদোক থোকখিবদু লাংবনগী নোংমা পানবা ইরাই নুমিত্তনি (ওগষ্ট ২৭, ১৯৬৫)। অসিগুম্লবা শাথীখ্রবা থা অসিদনি লুচিংবা মহাক্লা তাইবঙদা খোঙদারকখিবদু। লাংবন কুনহুমদোইনি পানবা য়ূমশকৈশা (সেপ্টেম্বর ৩০, ১৮৯৬) পিশুম ওইনাম লৈকায়দা লৈবা হিজম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং চোংথাম চনু হিজম ওংবী থম্বাল ঙাংবীগী মপারিনী। অরানবা তৌবশিংগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লেপ্পা ঙম্বা মতিক মঙাল নাইবা ইরাবতকী কথোকপনা মপূং ওইরবা থবকশিং শীংথাবগী লোইবা নাইরোই। মহাক্কী পুন্সি অমদি থবক্কা মরী লৈনবা তাঙ্ককশিংগী মনুংদা সেপ্টেম্বর থা মরু ওইনা লাংবন থাগা মরী লৈনবা মরু ওইবা মতাং খরসু য়াওরি। মণিপুরগী নুপীলান ১৯৩৯ হৌরকখিবদু পোইনুগী নীনি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তনি (দিসেম্বর ১২)। অদুবু ঈহৌ অদু হৌননবা মৈ চুখিবদি থৱান লাংবন্দগীনি। মৈ চুখিবা মীশক্তু অতোপ্পা কনাসু নত্তে মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতনি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্বা ৱাফমদগী খঙবা ঙম্মী। বৃটিশ লৈঙাক মতমনি, ইনাকখুনবা শেঞ্জাও পায়বা মীতোপ লল্লোনবশিংনা মনীং মখা তম্না মপান লমদা মণিপুরগী চেঙ থাদোকই। পঞ্জরিবা চহী অদুগী সেপ্টেম্বর হৌগৎলকপদা ইখঙ খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোকই। মদুনা ফৌ মাঙহন তাকহন্দুনা চাক তাঙবা থোকপা য়াবগী ফীভম লৈবনা মীপূম খুদিংমক মিপাইনরম্মী। মতম অদুদা মীয়াম্না থেংনগদবা অৱাবা ফীভম অদুদগী কন্ননবা হোৎনখি। থৱানগী কুন্তরুকনি পানবা থাংজ নুমিৎ (সেপ্টেম্বর ৯) দা মপান্দা চেঙ থাদোকপা থিংননবা দরবার প্রসিদেন্টতা তকশিল্লম্মী। মহাক্লা তকশিনবদুনা মরম ওইরগা থৱানগী থাশি য়ূমশকৈশা (সেপ্টেম্বর ১৩) দা মপান্দা চেঙ থাদোকপা থিংবগী য়াথংচে থোকখি। অদুবু শেঞ্জাও পায়বশিংগী অপাম্বা অনীংবদু থুংননবা লাংবনগী নিপান্নি পানবা শগোলশেল (সেপ্টেম্বর ২১) দা নিংথৌনা দরবারদা য়াথং পীরগা লাংবনগী তরামাথোইনি পানবা নোংমাইজিং (সেপ্টেম্বর ২৪) দা চেঙ থাদোকপা য়াবগী ওর্দর অমুক থোকখি।

অসুম্না মণিপুর মনুং অমদি মপান্দা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংবু য়াকাইহনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা কাছারদা লৈরিঙৈদা মীয়ামদা ঈহৌ শাগৎনবা ইনশিনবগী মরান্দা মতমদুগী অসাম লৈঙাক্লা লাংবনগীকুন্নিপান্নি পানবা ইরাই (সেপ্টেম্বর ১৫, ১৯৪৪) দগী হৌরগা থা নিপান চূপ্পা সিলচর দিষ্ট্রিক্ট জেলদা থমখি। জেলদগী থাদোক্লবা মতুংদসু মহাক্কী ঈহৌ লেপখিদে। মদুগী মতুংদা মণিপুরদা নুমিৎ তরেৎনিগী ওইবা খোঙচত্তা থৱান থাগী থামৈদগী লাক্তুনা লাংবনগী থা পানখৎলকপগী নুমিৎ নীনি ফাওবা লৈরম্মী। থাঙ্গৈশেংবদি মহাক মনেমবেম্মগী সোরাৎ য়াওবা লাকখিবনি। অদুবু থবক থৌরম কয়াদা মহাক্লা লোয়নখিবা ললিত মাধব শর্ম্মা, মাঘনচিংবগা উনদুনা মীতোপ লল্লোনবশিং মণিপুরদা হল্লক্তনবা খোঙজং চঙশিন্নবা খন্নরম্মী। অসুম্না লাংবন থাগা ঈরোইনরকখিবা লুচিংবা অসিগী ঈহৌ খোঙচত্তা লৌতুনবা মানবা মচৎ অমনা অকনবা শাফু পীরকখি। নীংতম্লবা মণিপুরগী লৈমায়দা মনীং তম্না মখোঙ থাংজনবগী হক অদু মৎপীখি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিলনা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেমদুনা মণিপুর দিষ্ট্রিক্ট অমগী থাক্তা চিংথনবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা য়ানীংদবা মীফম অমা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোক্লবা শীল্লম্মী। লাংবনগী তরানিপান্নি পানবা (সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮) লৈবাকপোকপা নুমিত্তনি। মীফম য়াওবা লম্লাইরোমদগী লাকপা মীয়ামগী খোঙচৎপু পুংদোংবমদা লৈঙাক্কী ফোর্সনা থিংনবা হোৎনবদা চরাংনবা থোক্লিঙৈ চৈরক্তা নোংমৈনা পান্দুনা সব ইন্সপেক্টর নরান শিখি। থৌদোক অদুগী অচুম অরান থিজিনখিদে। লুচিংবা অসিগী মখাদা লৈবা ***কৃষক সভা*** অমসুং ***মণিপুর প্রজা সংঘ*** অনীবু লোনা য়াদবা লূপনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোকখি। মীরোৎ ওইজরবসু মীয়ামগীদমক চেন চোংবা হোৎনবা লেপখিদে। অদুবু ফীভম অদুদা মণিপুরদা লৈবা হায়বসি খুদোং থীবা অৱাফমদা তাবা য়াবা মতাং ওইরম্মী। মহাক্কী থবক থৌরম খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্নবা অমদি চেকশিন থৌরাং ওইনা ১৯৫০দা বর্ম্মাগীদমক মণিপুর থাদোকখি। সেপ্টেম্বর, ১৯৫১দা মংসাদা চৎলি। মফম অদুদা বর্ম্মাগী য়াওল লান্মী লূপ ***পিপলস কমরেদ পার্টি***গা তেংবাঙ পীনদুনা কবো ভেল্লিদা বেজ শেম্লগা য়াওল লান্মীশিংগী ত্রেনীং মফম হাংদোক্লবা ৱাফম য়াৎলম্মী। অদুবু বর্মিজ লৈঙাক ফোর্সনা তকশিল্লকপনা মরম ওইরগা লাংবনগী কুননি পানবা শগোলশেন (সেপ্টেম্বর ২০, ১৯৫১) দা অঙ্গো চীংখোঙদা থুংখি। চীংখোঙ অসিগী তাংবো খুন্দা হেদ ক্বার্টর ওইরম্মী। লাইবক থীবদি চহী অসিগী লাংবনগী কুনতরুক্লি পানবা য়ূমশকৈশা (সেপ্টেম্বর ২৬) দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লুচিংবা হিজম ইরাবত তাম্লবা মীরৈবাক্কী খুন অমদা অরোইবা য়াহিপ তানখি। মহাক্কী পান্দম মপূং ফাখিদ্রে। লাংবন থা লাক্লে, তাইবঙপান থাদোকখ্রবা ইপা-ইপুশিংদা হৈশোয়-লাংশোয় কত্তুনা থৌনিজবা থানি। ঐখোয় খুদিংমক্লা ঙমজ-ঙমজবা লৈ মনা অমত্তং ওইরবসু হৈ মচেৎ অমত্তং ওইরবসু কৎচরগা মাগী ৱাখল্লোন অমদি থবক অদু মরীক অমত্তং ওইরবসু পাঙবা ঙম্নবা থৌনা লৌশিং হাপ্পীয়ু হায়না লুচিংবা মাগী মফমদা নিজফম থোকই। থম্মোয় শেংনা নীজরবদি মহাক্কী থৌজাল ফংবগা লোয়ননা অচুম্বা অশেংবা হায়বদু শোয়দনা লাক্কদবা মাল্লি। ●